থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# সী বি আইদা শিন্নরে! মীয়াম নখোয় পঙথরো

মীহাৎ-মীপূন, শেঙ্গা-থুমজাগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লকপা, অচৌ-অশাং-মন্ত্রি-মন্দল-তৌবা ঙম্বা মীওই কয়া চেন্নরম্বই চিংনবা লৈরবা, ষ্টেট-পুলিস অমদি ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সি কয়াবু নমহৎপা ঙম্বা ইনফ্লুয়েন্সল ওইবা মীগী খূৎ চঙই চিংনরক্লবা, কেস অদু খোঙজেল য়াঙশিনবা ঙল্লক্ত্রবা মতমদা ‘সী বি আই’দা শিন্নবই ৱা খন্নরকপা - মমাঙঙৈদা কয়ারক থেংনরকখ্রে। অদুগুম্বা কেসমক্তি নত্তবা, মণিপুর পুলিসনা খজিক্তং পুকচেল শেংনা ফাবা-পূনবা, থিজিন-হুমজিন তৌবদা লায়না সোল্প তৌগদবা কেস অমগীসু সী বি আই’বু থিজিনহল্লগনি হেক্তা হায়রকপসি তাবদা, ঐদি ৱাহৈ অসি পুলিস দিপার্টমেন্টপু ইকায়বা পীবনি হায়না হেক্তা খল্লকই। খঙদে, ঐগীসিবু অরানবা ৱাখল্লা? তাবদা মরিং মরাংবা, তানীংদবা ৱা অসি হন্দক ‘ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট স্কুল-হোষ্টেল’দা ক্লাস সেভেন তম্লিবী বেবিসনা কৌবী নুপীমচা অমা শিখিবগী হাক্তকসিদা অমুক তাক্লে। মীশি অসিগী মরমদা অচুম্বা অমা খঙনীংবগী লাংতকপা অদুগী খল্লুরবদি হরাওবা ফাওই। অদুগা, মণিপুর পুলিসকী ইন্টেল্লিজেন্স য়াওদবা মতৌ অদু অদুক লায়না উৎথোকপা, ইরায় লায়না মায়থীরে হায়না চঙজবা মানবা মতৌদুগী খল্লুরগা মখোয়গীদমক ইকায়বীবই ৱানি।

সী বি আই। হায়বদি - সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন। মমিং তাবদা তন্নরম্মী, মতম অমদা। কনাগুম্বা অমই ইমুংদা সী বি আই চঙলে/চঙলম্লে তাবদা ইমুং অদু অৱাংবা থাক্তা হুরান চিন্থি তৌবা, পুকচেল শেংদবা মী অমগুম লৌনরম্মী। মসিগীসু মরম লৈ। হায়ফেৎ নীংশিংলুবা কান্নগনি। সী বি আই - হায়বসি ‘মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সোনেল, পব্লিক গ্রিভান্সস এন্দ পেন্সন’ গী মখাদা থবক তৌবা এজেন্সি অমনি। ইকনমিক ক্রাইম, স্পেসল ক্রাইম, করপসনগী ৱাথোক অমদি অৱাংবা থাক্কী কেসশিংগী মরমদা থিজিনবদা মমিং চৎলি। ১৯৪১ স্পেসল পুলিস মখল অমা ওইনা, অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা তৌখিবা শেঙ্গা থুমজা অমদি অরান অহুই ময়াম অমা মতমদুগী ‘ৱার এন্দ সপ্লাই দিপার্টমেন্ট ওফ ইন্দিয়া’ দা চথুখিবদু থিজিন্নবা লীংখৎখিবনি। লান লোইরবা মতুংদসু, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ময়ামনা তৌবা শেঙ্গা থুমজাগী থবক থিজিনহন্নবা এজেন্সি অমগী তঙাইফদবা খঙলক্তুনা এজেন্সি অসি মখা তানা থৌদাং পাঙহন্নবা বৃটিশ ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্ট’তুনা ৱারেপ লৌখি। নীংতম্বা ইন্দিয়া ওইরবা মতুংদা, ১৯৬৩, এপ্রিল তারিখ অম’দা হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱারেপ অমনা ঙসি ওইরিবা সী বি আইগী মওং মতৌ অসি ওইহনখি। তপ্না তপ্না, মহাক্কী মমিং চৎলকখি, শেঙ্গা-থুমজাগী ৱাথোক্তগী হেন্দোক্তুনা মীহাৎ-মীপূন, কিদনেপিং অমসুং টেরোরিজমগী থবকশিংদসু। সুপ্রিম কোর্ট অমসুং তোঙান তোঙানবা হায় কোর্টশিংনসু অৱাবা/খুদোংথীবা নংলবা পার্টিদুগী অপাম্বা মতুংইন্না অসিগুম্বা কেসশিং থিজিনবগী থৌদাংদু সী বি আই’দা শিন্নবা হৌরকখি। অসুম্না, থৌদাং পাকথোক চাউথোরকপদগী ১৯৮৭তগীদি সী বি আই, দিভিজন তরেৎ থোক্না খায়দোরকখি। - (১) এন্টি করপসন দিভিজন (২) স্পেসল ক্রাইম দিভিজন (৩) ইকোনোমিক ওফেন্সস দিভিজন, (৪) পোলিসি এন্দ ইন্টরনেসনল পুলিস কো-ওপরেসন দিভিজন (৫) এদমিনিষ্ট্রেসন দিভিজন (৬) দিরেক্টোরেট ওফ প্রোজিক্যুসন দিভিজন অমদি (৭) সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি দিভিজন। সেন্ট্রেল হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমা ওইরগসু, সী বি আই’না মনীং তম্না ক্রাইম অমগী মরমদা হেক্তা থিজিনবা য়াদে। হায়জ-চে পিটিসন অমা থাবা চঙই।

বেবিসনা, কালেন ছুটি মনুংদা ময়ূমদা লৈরম্লগা হোষ্টেলদা হনখিবা মতুং ইকুই কুইদনা, অনী লোংবা য়োৎকী ফমুংদা (মশাগী মরেপকা মান্নবা) থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে হায়বা ৱাথোকসিগা মরী লৈননা চিংনবা য়াবা ৱাফম কয়া থোক্লকপা, ইমুং-মনুংগী মীওইনা কনাগুম্বা খরনা হাত্তোক্লগা য়ানশিনবনি হায়না মরাল শীরকপা, ... চিংননীংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া পাউচেশিংগী খূথাংদা ফোঙনরক্লিবা মণিপুরগী মীয়াম্না মরীক চূন্না পানরে। মথন্তা শিজবনি/হাত্তোকপনি হায়বা অর্গ্যুমেন্ট অনীসিনি মাঙদা তারিবা। করম্বনা অচুম্বনো? হায়বদু থিদোকপা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মথৌনি। মরম অসিননি, ক্রাইম অমা থোকপগী এফ আই আর (ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট) অমা পুলিসতা হেক ফাইনল তৌবগা আই ও (ইনভেষ্টিগেসন ওফিসর) অমা ইহান হান্না হাপ্লিবা। পাউ ওইনা তানবা, হকথেংননা থেংনবা কয়াদা যূম্ফম ওইরগনি শুমাং-লীলা, দ্রামা-সিনেমা কয়াদা শেঙ্গাও পায়বা, সঙ্গ লৈবা ক্রিমিনেলদুগী ইমুং-মনুংনা আই ও অদু অচৌবা শেনফম পীদুনা লৈরগা কোলোম-মচিন থৈহনবগী ৱারী কয়া ইনরক্লিবা। মণিপুর পুলিসকী ইকায়খুম্নবা কনবা য়াবা, শেঙ্গা-থুমজা নৎত্রগা মীহাৎ-মীপূনগী কেস অমত্তং মণিপুর পুলিসনা লোইশিন্দুনা মরাল লৈবা ফাগৎখ্রে হায়বা অমত্তগী ৱারী তাখিদ্রি। মরাল লৈরে খঙলবদু পুলিস য়ৌখ্রদি কনবীখ্রনি লোইশিল্লো - খোল্লাউসিনি মোব জষ্টিস) মরাল লৈতে খঙলবা, মীচঙ লৈতবা কনাগুম্বদো পুলিসকী খূৎপু য়ৌখ্রবা অৱাফমদা তারবনি - ঐনা হায়বা নত্তে, মীয়ামসিগী খোঞ্জেলনি। অসুক চাউখ্রবা, জেনরেল-ষ্ট্রাইক ফাওবা তৌরক্লবা ৱাথোকসিগা মরী লৈননা কনাবুসু ফাদেদনা! হায়-প্রোফাইল কেসনি হায়বদি থৌওংসিনা তাকচরে। সী বি আই’দা শিন্ননি চীফ মিনিষ্টর’না হায়রবনিনা ইরাংসিসু নেমখ্রনি। রবিনা-সঞ্জিৎকী মীসিগুম কুমপুদুনা লৈখ্র’নি। মণিপুরদবু সী বি আই’না কৈদৌজবা ঙমদোইনো। অতোপ্পা বেবিসনা অমা থোরক্লবা মতমদুদা অতোপ্পা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা কৌমিন্নসি। সী বি আই’দা শিন্নসি।

লৌশিং পুক্কে

# এন্টিবাইওটিক্সনা থোকহল্লকপা খুদোংথীবশিং




অয়াম্বা মতমদা তোয়না শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক মখল খরনা অঙাংশিংদা টাইপ-ৱান দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

এন্টিবাইওটিক্স পীজবগী মতাংদা কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই। টাইপ-ৱান দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংদা ইম্ম্যুন সিষ্টেমনা শোয়বদগী পেনক্রিজদা লৈবা সেলশিং অমাঙ-অতা থোকহনবা মরম্না ইন্সুলিন মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহন্দে। ইন্সুলিন মরাং কায়না পুথোরক্ত্রবদি ব্লদ সুগর ৱাংখৎলক্তুনা নর্ভ অমদি ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোরকই।

উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা এন্টিবাইওটিক্সনা ইন্টেষ্টাইনদা য়াওবা মহীকশিংদা অহোংবা থোকহনবদগী টাইপ ৱান দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়বা খঙলকখিবনি। ন্যুয়োর্ক য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার মার্টিন ব্লেজরনা হায়খি, এন্টিবাইওটিক্সনা হকচাং মনুংদা য়াওবা মহীক হাৎপা মতমদা ইন্টেষ্টাইনগী অফবা মহীক কয়াসু হাৎলি। মদুনা মরম ওইরগা পেনক্রিজনা ইন্সুলিন পুথোকপা ঙম্লত্তবদগী টাইপ-ৱান দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎলকপনি।

জুবেনাইল দাইবেটিস রিছার্চ ফাউন্দেসন (জে দি আর এফ) গী দিরেক্টর জেসিকা দ্যুননা হায়খি, মরম চাদনা অরানবা মওংদা এন্টিবাইওটিক্স তোয়না শীজিন্নরবদি ওটোইম্যুন দিসওর্দর ওইহল্লক্তুনা টাইপ-ৱান দাইবেটিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি। ‘নেচর মাইক্রো-বাইওলোজি’দা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা জেসিকা দ্যুননা হায়খি, এন্টিবাইওটিক্স তোয়না শীজিন্নবনা অঙাংশিংদা টাইপ-ৱান দাইবেটিসকুম্বা ওটোইম্ম্যুন দিজিজ ওইহল্লকপগী চাং ৱাংখৎলক্লে।

চহী খুদিংগী অঙাংশিং খৌনাও নাবা, লোক থুংবা অমদি লাইহৌ হৌবনচিংবা লায়না কয়া নাবা থেংনরি। অদুবু ডোক্তরগী মনাক্তা পুদুনা লায়েংলুবদা ডোক্তরনা এন্টিবাইওটিক্স থারক্তবা মতমদা মমা-মপা অয়াম্বা নীংবা কায়বগী মওং অমা উবা ফংলি। মচাবু অথুবা মতমদা ফহন্নিংবনিনা অফবা মখলগী এন্টিবাইওটিক্স অমা পীজবা হায়বসি মমা-মপা অয়াম্বগী অপাম্বনি। এন্টিবাইওটিক্সনা ঙাইহাক্কী ওইনা অনাবা ফহল্লবসু ইন্টেষ্টাইনদা লৈবা হকচাংদা কান্নবা মহীক পুম্নমক শিহন্দুনা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা মীওই অয়াম্বনা খঙনদে।

কুমজা ১৯৪০ গী পরিংদা অহানবা ওইনা পুথোরকখিবা এন্টিবাইও-টিক্সকী মতেংনা লায়না অয়াম্বা খুদুম চনবা ঙম্লে। অদুবু কা হেন্না এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবদগী হীদাক চঙবা ঙমদবা (দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ওইবা) মহীক কয়া থোরকখি। মদুগীসু মথক্তা অঙাংনা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবা মতমদা পূক নুংঙাইতবা, খোঙ হামথবা অমদি এলর্জিনচিংবা সাইদ ইফেক্ট কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

মীওইবদা মরুওইনা অনাবা ওইহল্লক্লিবসি বেক্তরিয়া অমসুং ভাইরসননি। মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা বেক্তরিয়া লোইনমক ফৎতবা নত্তে। বেক্তরিয়া মখল খরদি হকচাংদা কান্নবা পীরি। খুদম ওইনা ইন্টেষ্টাইনদা লৈরিবা লেক্টোবেসিলসনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংলি। অতোপ্পা বেক্তরিয়া মখল খরনা মীওইবদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই। হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা মশীং হেনগৎ-লক্তুনা লায়না কয়া ওইহল্লকই। বেক্তরিয়ানা ওইহল্লকপা লায়নাশিংদি এন্টিবাইওটিক্সনা ফহনবা ঙম্মী। অমরোমদা, এন্টিবাইওটিক্স ফনা য়াম্না চারবসু ভাইরসনা ওইহল্লকপা লায়নাশিং ফহনবা ঙমদে। লোক থুংবা অমসুং ভাইরেল ফীবর তৌরকপা মতমদা এন্টিবাইওটিক্স চাবনা কান্নবা ফংদে। অহোয়নদুম খুদোংথীনিংঙাই ওইবা সাইদ ইফেক্ট থোকহনবগা লোয়ননা হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক পুথোক্লবগী মরম ওইহল্লকই। মরম চাদনা এন্টিবাইওটিক্স তোয়না চারবদি বেক্তরিয়াগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া থোরকপগা লোয়ননা হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক কয়া শেমগৎলকই। মতৌ অসুম্না দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্তরিয়ানা অনা অয়েক থোকহল্লকপা মতমদা ময়াক কনবা এন্টিবাইওটিক্স থাবগী মথৌ তারকই। য়াম্না তোয়না এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবদগী হৌজিক্তি খ্বাইদগী মতিক ময়াই কল্লবা এন্টিবাইওটিক্স চঙবা ঙমদবা মহীক কয়া থোরক্লে। মতৌ অসুম্না হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক মশীং হেনগৎলকপনা মীওইবগী হকশেলদা চাউনা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী) না ফোঙদোকখি।

মতম অমদা এন্টিবাইওটিক্সিনা অরায়বা মওংদা হাৎপা ঙল্লম্বা মহীক কয়া হৌজিক্তি ফনা কনবা হীদাক থারবসু থোইনা কান্নবা ফংদ্রে। হায়রিবা মহীকশিং অদুগী মনুংদা ন্যুমোনিয়া, ইয়র ইনফেক্সন, সাইনস ইনফেক্সন অমদি মেনিঞ্জাইটিস ওইহল্লক্লিবা ন্যুমোকোকেল ইনফেক্সন, স্কিন ইনফেক্সন অমদি ট্যুবরক্যুলোসিস ওইহল্লকইবা মহীকশিং য়াওরি। এন্টিবাইওটিক্সনা মহীক হাৎপা মতমদা অফবা, হকচাংদা থোকহনবা লায়না-শিংতমক এন্টিবাইওটিক্সনা ফহনবা ঙম্মী। ভাইরসনা ওইহল্লকপা লায়নাশিংদি এন্টিবাইওটিক্স ফনা য়াম্না চারবসু কান্নবা ফংদে। মরম অদুনা ডোক্তরগী পাউতাক য়াওদ্রবদি এন্টিবাইওটিক্স খক শীজিন্নরোইদবনি।

মমি ৱারী

# ‘ফজবা পোৎশক হায়রিবসি মী মানবা মওং অসিরা’

থৱান













*Thawan is a poet and musician from Imphal.*